# অনীশুবা অম্ফা কপ : অমোফানা এ এফ সী, এফ ৪ সী একাদেমিনা জে এস ৱাই সী মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অনীশুবা অম্ফা কপ ২০২২গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অনীদা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিএসন (অমোফা) অমদি ফুটবোল ৪ চেঞ্জ একাদেমি (এফ ৪ সী) মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা অমোফা মোইরাংনা অংথা এফ সীবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

হেমাম সেমসননা শান্নবগী ৩৭ শুবা মিনটতা মোইরাংগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অনীশুবা হাফকী শান্নবা হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ শান্নবগী ৪৯ শুবা মিনটতা মোইরাংগী মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখিবনি। মহাক শান্নবা হৌরকপগী ১৯ শুবা মিনটতা রেফরিনা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখিবনি।

অংথাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা সেরোখাইবম কফোইনা শান্নবগী ৫২ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং অংথা টিমগী কেপ্টেন মোইরাংথেম সোমোকান্ত রেফরিনা শান্নবগী ৬৬ শুবা মিনটতা দাইরেক্ট রেদ কার্দ উৎতুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি।

রেফরি ঐচ এল অটলিনা অংথা এফ সীগী য়ুমখাইবম ইন্দ্রনাথ, মোইরাংথেম দিয়া অমদি এলাংবম রোনাল্ডোসু শান্নবগী ১৯, ২৪ অমদি ৬৬ শুবা মিনটতা অদুগা অমোফাগী কুমাম ইঙো অমদি ইরোম রাকেশ শান্নবগী ৫২ অমদি ৭৭ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা ফুটবোল ৪ চেঞ্জ একাদেমিনা জে সোংটুন য়ুঠ ক্লবপু ২-০দা মায়থীবা পীখি।

এভেলসন জাচিনা শান্নবগী ২৪ শুবা মিনটতা এফ ৪ সীগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি অদুগা মাংমিনলুন সিংসননা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী এফ ৪ সীগী মায় পাকপগী ২শুবা গোল চনবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা থা অসিগী ২১দা গ্রুপ বিগী মেটচ অনী শান্নরগনি।

## এল মেমচা সুপর দিভিজন লীগ ২০২২-২৩ লোইশিনখ্রে

# ৱাই দি সী খোইরোমনা গোল দিফরেন্সতা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯(ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা চত্থরকপা এল মেমচা সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ঙসি কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্স ৱাংজিংদা লোইশিনখিবগা লোয়নননা ৱাই দি সী খোইরোমনা পূন্না মেটচ ৮ শান্নবদা মেটচ ৬ মায় পাক্লগা ১ দ্রো ওইদুনা ১ মায়থীরগা পূন্না পোইন্ট ১৮ ফংলগা গোল দিফরেন্স ২২ ফংদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

দব্লিয়ু ৱাই সী ৱাংজিংনা চপ মান্নবা পোইন্ট ১৯ ফংলগা গোল দিফরেন্স ৯ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন অদুগা ঐচ কে কে এস এ হাওখ কিয়ামনা পোইন্ট ১৮ ফংলগা ৩শুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসি পূন্না টিম ৯না শরুক য়াদুনা ওগষ্ট ১৭তগী হৌদুনা চত্থরকখিবনি।

কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা লীগ মেটচতা ৱাই দি সী খোইরোমনা ঐচ কে কে এস এ হাওখ কিয়ামবু ৪-২দা মায়থীবা পীখি।



হাওখ কিয়ামগী রাহুল ওক্রমনা শান্নবা হৌরকপগী ৬শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। এম কিষননা শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা ইক্কেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ১-১দা লৈহনখি। টিম অনীনা স্কোর মান্নরবা মতুং রাহুলনা শান্নবগী ২১ শুবা মিনটতা হাওখগী অনীশুবা গোল চনখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা কে ঐচ বির্জিৎনা অমুক হন্না শান্নবগী ২৭ শুবা মিনটতা ইক্কেলাইজ গোল চনখিবগা লোয়নননা ২-২দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা খোইরোম টিমগী কিষননা শান্নবগী ৫০ শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিন্দুনা হাওখ টিমবু ৪-২দা মায়থীবা পীখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি কে ঐচ ইবুংঙোনা ৱাই দি সীগী জোন্সন অমদি অভিনাশ অদুগা হাওখগী প্রেমকুমার, য়াইমা অমদি পাদুলবু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা ৱাংজিং তেন্থাগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেননা অথোইবা মীথুংলেন, ৱাংজিং লমদিংগী কাউন্সিল্লর ঐচ গৌরঙ্গোনা থৌরম মপূ অদুগা দি এফ এ থৌবালগী প্রিসিদেন্ট মুতুম মণি, দি এফএ থৌবালগী ভাইস প্রিসিদেন্টশিং সী ঐচ ইবোয়াই, এল শ্যামো অমদি কেমাইকেলনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## ইতোমচা ফর্ষ্ট দিভিজন লীগ

# সুপ্রিমগী গোলশিংনা কে ৱাই ভি ও এন্দ এস দব্লিয়ু সী চাওনা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচএনএস): এন সুপ্রিমনা চনখিবা গোল ৫গী মতেংনা কে ৱাই ভি ও এন্দ এস দব্লিয়ু সী খূফমনা কে ৱাই ভি ও ক্লাসিফাইবু লাকচনা ৫-০দা চত্থরিবা অহানবা এল ইতোমচা ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

সুপ্রিমগী অহানবা গোল অদুনা শান্নবা হৌরকপগী ৮শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মহাক্কী অনীশুবা গোল অদুনা শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী হেটট্রিক গোল অদুনা শান্নবগী ২৪ শুবা মিনটতা চনখি।

মহাক্কী ৪শুবা অমদি ৫শুবা গোল অদুনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৪৯ অমদি ৫৩ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি দব্লিয়ু জে াঙ্গননা ক্লাসিফাইগী সনামতুম অমদি খূফমগী টি ঐচ সনাথোই শান্নবগী ৪৭ অমদি ৬৭ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ু এফ সীনা য়ু কে সী সী এলবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

য়ু এফ সীগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু এল দেনি অমদি গাইপুইচুননা শান্নবগী ১৮ অমদি ৩৮ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

# নেসনল ভোভিনাম চেম্পিয়নশিপকী ষ্টেট টিম লাউথোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯(ঐচএনএস): উত্তর প্রদেশকী লক্ষ্ণৌদা লৈবা কে দি সিংহ বাবু ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২২দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১শুবা নেসনল ভোভিনাম চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াগদবা শান্নরোয় ৪৫ অমদি ওফিসল ৩গী মমিং ভোভিনাম এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা লাউথোকখ্রে।

ওফিসলশিং অদুদি টি ঐচ অরুন, সী ঐচ মহাদেব অমদি ঐচ হেনানি।

শান্নরোয়শিং অদুনা কিদ চহী ৬তগী ১০ ফাওবগী কাঙলূপকী নুপাগীদা কে এস ঐচ নুংশিবোই, কে এস ঐচ অশোককুমার, এন রাজু, কে মালেমঙানবা, ঐচ লমঙানবা, এন শঙ্কর অমদি এম কুন্দন অদুগা নুপীগীদা ঐচ পিন্টুনি।

সব-জুনিয়র চহী ১০দগী ১৪ ফাওবগী কাঙলূপকী নুপাগীদা টি ঐচ বালেশ্বর, এন সদানন্দ, পি এম ৱাহিদুর, এম সুনন্দ, এস মেসি, এল দিনারাজ, এম জেনিসন, এম কলম্বস, এম ধকেশ্বর, এন সদানন্দ অমদি এল চিংখৈঙানবা অদুগা নুপীগীদা এল তেশমরান দংশানা অমদি ঐচ দোলিনি।

জুনিয়র চহী ১৪দগী ১৮ ফাওবগী কাঙলূপকী নুপাগীদা এস সুরেশ, এল রেগান, এম চিংখৈঙানবা, চিংখৈ লৈশাংথেম অদুগা নুপীগীদা এন দয়ারানী, এন জি গ্লোরিয়া, ঈ বিদ্যালক্ষ্মী, এম লিয়েন্দা, মকুংঙা লিদিয়া, বি নিশিতা অমদি এস ব্যাটিনি। সিনিয়র চহী ১৮ মথক্তগী ৪৫ ফাওবগী নুপাগীদা এস ব্রিসন, রাকেশ পোল, এল সনাথোই, এস মনিসনা, টি ঐচ সোমোর্জিৎ অমদি এম রোহিট অদুগা নুপীগীদা কে ঐচ রোশনী, সী ঐচ রোজিয়া, এল পুস্পা অমদি এস লনচেনবীনি।

# অম্ফানা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯(ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শীন্দুনা এ এফ সী-সী দিপ্লোমা কোর্স (মোদ্যুল ২) থা অসিগী ২২দগী ২৬ ফাওবা খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা কোর্স অসিগীদমক খনগৎলবা কেন্দিদেট ২২না থা অসিগী ২১গী নুংথিলদা খুমন লম্পাক্কী হোষ্টেল নম্বর ২দা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লকপগা লোয়নননা রিপোর্ট তৌবা মতমদা কেন্দিদেটশিংনা লুপা লিশিং ১১গী শেনফম থীনবসু খঙহল্লক্লি।

কেন্দিদেটশিং অদুদি জেমস লনদৌথাং তোঙ্গিং, লালচা কিপজেন, সৈখোহাও হাওকিপ, সৈখাঙৌ সিমজৌ মংজেল, লৌরেম্বম সুরসেন মৈতৈ, থৌদাম জয়চন্দ্র, লাইশ্রম বোবোই, কোন্থৌজম জেমস, মাইবম সোমোচন্দ্র, সোরাইসম সুনিলকুমার, রিংথুইঙম কামৈ, ফুরিৎশাবম কিষন, নামৈরাকপম বিকাশ, খেলেম্বা ঙাঙোমচা, কৈশাম নরায়ন, হিদম প্রেমকুমার, পাওখোথাং হাওকিপ, সঞ্জেনবম সদানন্দ, শাইজা থাংমৈসো, তুইশিম মংশাভা, নোংমৈকাপম ইতোচা অমদি এম দি ৱাকর য়ুনুসনি।

মখা তাবা অকুপ্পা মরোলগীদমক কো-ওর্দিনেটর এস জিতেন মীতৈদগী খঙলবা য়ারগনি হায়রি।

## ভোজভোদিনা য়ুঠ বোক্সিং টুর্নামেন্ট

# ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংনা মেদল ১৯ লৌদুনা কেম্প্যেন লোইশিনখ্রে

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ১৯(এজেন্সী): সর্ভিয়াদা পাঙথোকপা ৪০শুবা গোল্ডন গ্লোভ ওফ ভোজভোদিনা য়ুঠ বোক্সিং টুর্নামেন্টকী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংনা গোল্ড মেদল ১০ লৌখিবগা লোয়নননা পূন্না মেদল ১৯ ফংদুনা মখোয়গী কেম্প্যেন লোইশিনখ্রে।

ফ্লাই ৱেথ কেটগোরিগী মেন য়ুঠ বোক্সর জাদুমণিনা টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট ফাইটরগী মনা ফংবা ঙমখি অদুগা রবিনা (৬৩ কেজি)না য়ুঠ ৱিমেন কেটগোরিগী বেষ্ট বোক্সরগী মনা ফংবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর ১২না শরুক য়াবদা ১২মক মেদল লৌবা ঙমখি।



ভাওনাশর্ম্মা (কেজি ৪৮), দেবিকা গোর্পরে (কেজি ৫২), কুঞ্জরানী (কেজি ৬০), রভিনা (কেজি ৬৩) অমদি কির্তি (কেজি ৮১ মথক) কাঙলূপতা গোল্ড মেদলশিং ফংবা ঙমখি।

কুঞ্জরানী, রভিনা অমদি কির্তিনা মখোয়গী ওপোনেন্টশিংবু য়ুনানিমস দিসিজন ৫-০ অদুগা ভাওনা অমদি দেভিকানা ৪-১দা ফাইনেলদা মায়থীবা পীরমখিবনি।

মুস্কান (কেজি ৭৫) অমদি প্রঞ্জাল য়াদব (কেজি ৮১)না সিলভর মেদল অদুগা কাসিশ (কেজি ৫০), নীরু (কেজি ৫৪), অরিয়া (কেজি ৫৭), প্রিয়ানকা (কেজি ৬৬) অমদি লাশু (কেজি ৭০)না ব্রোঞ্জ মেদলশিং ফংবা ঙমখি।

নুপাগী কাঙলূপতা ইন্দিয়াগী বোক্সর বিস্বানাথ (কেজি ৪৮), অসিশ (কেজি ৫৪), সাহিল (কেজি ৭১), জাদুমণি (কেজি ৫১) অমদি ভারত জুন (কেজি ৯২)না গোল্ড মেদল অদুগা নিখিল (কেজি ৫৭) অমদি দিপক (কেজি ৭৫)না ব্রোঞ্জ মেদলশিং লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা বোক্সিংগী মকোক থোংবা লৈবাকশিং ওইরিবা কজাখষ্টান, থাইলেন্দ অমদি য়ুক্রেনদগী লাকপা বোক্সরশিংসু শরুক য়াখি।

# এ আরনা শান্নবগী পোৎলমশিং মতেং পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯(ঐচএনএস): অসাম রাইফলসকী পান্দম ওইরিবা 'ফ্রেন্দস ওফ নোর্থ ইষ্ট' পুখোঙফম চেৎহনবা ওইনা আই জি এ আর (সাউথ)কী লমজিং মখাদা চুড়াচান্দপুর বট্টালিয়ননা শীন্দুনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ন্যু লমকাদা লৈবা সাউদর্ন ফ্লাৱর্স স্কুলদা শান্নখোৎনবগী পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে।

অসাম রাইফলসনা পীরিবা তেংবাঙ অসি একাদেমি অসিগী এন্যুএল স্পোর্টস মীট পাঙথোক্লবা অমদি মহৈরোয়শিংবু শান্নখোৎনবগী মরুওইবশিং খঙহন্নবা অমসুং মখোয়গী নোংমগী পূন্সিদা মথৌ তাবা ফিজিকেল ট্রেনিংশিং ফংহন্নবনি।



অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংবু স্কুলগী ষ্টাফশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা অপেনবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## কে বাবু সুপর দিভিজন লীগ

# এফ সী কুম্বীনা ঈ এল এস এ থোইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯(ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন মোইরাংনা শীন্দুনা চত্থরিবা অহুমশুবা কৈশাম বাবু মেমোরিএল সুপর দিভিজন দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল লীগ ২০২১-২২ ঙসি ক্বাক্তা পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা এফ সী কুম্বীনা ঈ এল এস এ নরানসৈনাবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

এফ সী কুম্বীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু দব্লিয়ু ইঙোবা, দব্লিয়ু চঙখোনবা অমদি কে ঐচ লানজিংলেননা শান্নবগী ২৫, ২৯ অমদি ৫২ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। নরানসৈনাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা সী ঐচ নোংপোকঙানবনা শান্নবগী ৬৭ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মেটচ অসিদা রেফরি এম দি অমির খাননা কুম্বীগী কে হেরোজিৎ শান্নবগী ৩৯ শুবা মিনটতা অদুগা নরানসৈনাগী এন কে রোশন অমদি কে ঐচ দেনি শান্নবগী ২৪ অমদি ২৮ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সীটি এফ সী মোইরাং অমদি এস ৱাই সী সগাং থেংনরগনি।

# রিন্যুএল অমদি এন্ট্রিগী মতম শাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯(ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী এদহোক কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা সেকেন্দ অমদি থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২২দা শরুক য়াগদবা টিমশিংগী রিন্যুএল অমদি এফিলিএসন অমসুং টিমশিংনা এন্ট্রি তৌরকপগী মতম থা অসিগী ২৬ ফাওবা শাংদোক্লে হায়না এদহোক কম্মিটিগী কনভিনর হিজম মেঘচন্দ্রনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

লীগ অনী অসিগী মেনেজর্স মীটিংসু খূদোংচাদবা খরদগী মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে। অথুবা মতমদা মেনেজর্স মীটিংগী মতম লেপ্লগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

# দি এস এ ককচীংগী সুপর, ফর্ষ্ট দিভিজন লীগ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯(ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা ২০শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন অমদি ১৯শুবা কে এস ঐচ কিশোকুমার মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২২ থা অসিগী ২৩দগী হৌদুনা লমজাও প্লেগ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এম নিলোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

সুপর দিভিজনগী ওইনা টিম ৯না গ্রুপ অনী থোক্তুনা শরুক য়ারি। গ্রুপ এদা সোসল ৱেলফেয়র ক্লব (এস দব্লিয়ু সী) কৈরক, য়ুনাইটেদ ব্রদর্স স্পোর্টিং এসোসিএসন (য়ু বি এস এ) মান্তক, জুভেনাইল এসোসিএসন (জে এ) ককচীং, সোসল ৱেলফেয়র ক্লব (এস দব্লিয়ু সী) ৱাইখোং অমদি য়ুঠ ৱেলফেয়র য়ুনিয়ন (ৱাই দব্লিয়ু য়ু) ককচীং অদুগা গ্রুপ বিদা লাইফম য়ুঠ এসোসিএসন (এল ৱাই এ) ৱাঙ্গু, সেনা এথলেটিক ওর্গনাইজেসন (সাও) ককচীং, কৈরক মখা সোসল ৱেলফেয়র ক্লব (কে এম এস দব্লিয়ু সী) কৈরক অমদি ওল ককচীং খুনৌ স্পোর্টস এসোসিএসন (এ কে এস এ)না শরুক য়ারি।

ফর্ষ্ট দিভিজন লীগকী ওইনা টিম ৭না শরুক য়ারি। টিমশিং অদুদি দিভলপমেন্ট য়ুঠ এসোসিএসন (দি ৱাই এ) এলাংখানপোকপী, সুগ্নু ফুটবোল ক্লব (এস এফ সী) সুগ্নু, উয়োক চীংয়া ক্লব (য়ু সী সী) ককচীং, সোসল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (এস দি ও) পল্লেল, লাংমৈদোং মমাং লৈকাই সিটিজন ক্লব (এল এম এল সী সী) লাংমৈদোং, ফুনাল শম্বুং য়ুঠ ক্লব (পি এস ৱাই সী) ফুনাল অমদি ওল ইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিএসন (এ আই এফ এ) ইরেংবন্দনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী সুপর দিভিজন লীগকী অহৌবা নুমিৎ থা অসিগী ২৩দা গ্রুপ এগী এস দব্লিয়ু সী কৈরক অমদি এস দব্লিয়ু সী ৱাইখোং অনীনা নুংথিল পুং ২দা লম্বা তৌরগনি।

# সিনিয়র নেসনল কেরোম চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯(ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া কেরোম ফেদরেসনগী লমজিং মখাদা ন্যু দেল্লীগী তলকাটোরা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ৫০শুবা সিনিয়র নেসনল কেরোম চেম্পিয়নশিপ ২০২২ চহী অসিগী নভেম্বর ৭তগী ১১ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর কেরোম এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এন ব্রোজেননা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ানবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা ওল মণিপুর কেরোম এসোসিএসননা শীন্দুনা ওক্টোবর ৩দগী ৬ ফাওবা পাঙথোক্লগনি।

শরুক য়ানিংবা নুপা অমদি নুপী শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ৩০গী নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা মিং পীশিল্লক্কবা খঙহল্লকপগা লোয়নননা মখা তাবা ৱাকৎ অমত্তা লৌররোই হায়রি।

মখা তাবা অকুপ্পা মরোলগীদমক মপান কাংজৈবুংদা লৈবা ওল মণিপুর কেরোম এসোসিএসনগী ওফিসতগী লাক্লগা খঙলবা য়াগনি হায়রি।

# কেটেরিনা সিনিয়াকোভানা পোর্টোরোজ টাইটল লৌখ্রে

স্লোভেনিয়া, সেপ্টেম্বর ১৯(এজেন্সী): চেক রিপব্লিককী কেটেরিনা সিনিয়াকোভানা কজাখষ্টানগী অহুমশুবা সিদেদ এলেনা রিবাকিনাবু ৬-৭ (৪), ৭-৬ (৫), ৬-৪দা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা চহী অসিগী খ্বাইদগী শাংবা ফাইনেল মেটচ অমদা মায়থীবা পীদুনা পোর্টোরোজ টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

পুং ৩গা মিনট ৬ চুপ্পা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা সিনিয়াকোভানা মনিংলোমদগী তানখৎলক্তুনা রিবাকিনাবু মায়থীবা পীরমখিবনি। সিনিয়াকোভাগী মায় পাকপা অসিনা মহাক্কী করিয়রদা অহুম্লকশুবা সিঙ্গলসকী টাইটল লৌবনি।


মহাক্কী ওইনা চহী ৫গী মতুংদা অহানবা ওইনা সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখিবনি। মহাক্না ২০১৭তা সেনজেন অমদি বাষ্টদতা সিঙ্গলসকী টাইটল অনীরক লৌবা ঙমখ্রে।



সিনিয়াকোভা অমদি রিবাকিনা অনীনা থেংনখিবা ফাইনেল মেটচ অসি ২০২২ সিজন অসিগী ওইনা খ্বাইদগী শাংবা অনীশুবা ফাইনেল মেটচনি। চহী অসিগী খ্বাইদগী শাংবা অহানবা সেমীফাইনেল মেটচ মেথাদা পাঙথোকখিবা ষ্ট্রাশবোর্গ ফাইনেলনা ওইখি। পুং ৩গা মিনট ১৬ চুপ্পা শান্নখিবা ফাইনেল অদুদা এঞ্জেলিক কর্বরনা কাজা জুভানবু ৭-৬ (৫), ৬-৭(০), ৭-৬(৫) দা মায়থীবা পীখিবনি।

সিনিয়াকোভাগী ওইনা চয়োল অসিদা দবলসকী ওইনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইখিবনি। মহাক অমদি বার্বোরা ক্রেচিকোভানা য়ু এস ওপনদা করিয়র গোল্ডন স্লাম মায় পাক্লবা মতুং ওইরকখিবনি। মখোয় অনীগী প্যেরনা চহী অসিগী গ্রান্দ স্লাম ইভেন্টশিংদা পর্ফেক্ট ১৮-০ ওইবা ঙমখিবগা লোয়নননা অষ্ট্রেলিয়ন ওপন অমদি ৱিম্বলদনসু লৌবা ঙমখিবনি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 577

**A Plug (1945) - T Farrand (2265)**

**London Classic FIDE Open London ENG (1), 2011.12.03**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nc3 e6 | 3.g3 Nc6 | 4.Bg2 g6 |
| 5.d3 Bg7 | 6.f4 d6 | 7.Nf3 Nge7 | 8.O-O O-O |
| 9.Be3 Nd4 | 10.Qd2 Rb8 | 11.Rae1 b6 | 12.Nh4 f5 |
| 13.Nd1 fxe4 | 14.dxe4 d5 | 15.c3 Ndc6 | 16.f5 gxf5 |
| 17.exf5 Ba6 | 18.Bh6 Bxf1 | 19.Bxg7 Kxg7 | 20.Rxe6 Bxg2 |
| 21.Qh6+ Kh8 | 22.f6 Rg8 | 23.fxe7 Nxe7 | 24.Kxg2 Rg7 |
| 25.Ne3 Qf8 | 26.Rxe7 Qxe7 | 27.Nef5 Qe2+ | 28.Kg1 Qe1+ |
| 29.Kg2 Qe2+ | 30.Kg1 Qe1+ | 31.Kg2 Qe4+ | 32.Kg1 Rf7 |
| 33. ... | | | |

**QUESTION :**

**White to win**

**Puzzle 576 Ans. :**

30. ...Ne3+ 31. Kh3 Qg4+ 32. fxg4 hxg4#

Double check mate Double check

0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com